# “মণিপুরগী তংদু লৈতাবা পুরকপা”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



মণিপুরগী তম্পাক্তা ঈরাং হন্থরক্লে। ঈরাং হেন্না শাংথনা হোৎনবদসু মায় ইপাক পাকশিল্লক্ত্রে। মীতৈ মচা ময়াংলম্বম রিসিকান্তবু মখূৎ লোন্নদুনা কনবীনবা হায়জরবসু মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোকপীরগা মীতৈশিংনা তম্পাক্তা ঈরাং হেন্না শাগৎতুনা মণিপুরদা তংদু লৈতাদবা হেন্না হেন্না থোকহল্লক্তুনা মণিপুরসি ঈরাং সুম হেনগৎলক্কদরা হায়রগা তূমিন লৈখ্রে অদুদি করি তৌসিগে হায়দুনা কুকিনি হায়রিবা মীয়াম্বু হুমদুনা পুরিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংসিনা মখোয় মশেল কোক চুংশিন্নরমগনি। ঈরাং কন্না শাংথনা থোকহল্লগা ঐখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক অমা ফংহল্লু ঐখোয় মীতৈশিংগা পূন্না লৈমিন্নবা পামদে হায়না ফনা কন্না তক্লরবসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ইতা তাবীদ্রে। মদুগী মহুত্তা ৱাই খেমচান্দনা লুচিংবা মীয়ামগী লৈঙাক অমা প্রসিদেন্টস রুলগী শাসন লৌথোক্তুনা শেমহনখ্রে অদুদি চীংদা অমুক ঈরাং থোকহল্লসি হায়দুনা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা ঈরাংসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতানদা নমদুনা থোকহনখিবনি হায়বদা করিবু য়েৎননীংঙাই লৈরিবগে। তম্পাক্তনা মীতৈশিংনা ওৎপী নৈবীরে হায়দুনা মালেমগী মীয়াম মাঙদা কম্যুনেল কার্দ পায়দুনা শেমজিন শাজিনখিবা, হৌজিক্লা অমুক চীংদনা নাগাশিংনা ঐখোয়বু খৎনবা হৌবীরে। মীহাৎ-মীপূন চথবীরে হায়দুনা উৎনবা হোৎনবা মসিনি কুকি কাঙলূপসিনা তৌরিবা থৌওংসি। ওন্থোক্লসু তাৎ-পাৎ হৈবা কাঙলূপনি মখোয়সি।

শাংলবা চহী অহুম য়ৌশিল্লক্লবা মতমসিদা কুকি-নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনখিবা লানদুগী লোইশিল্লে হায়বা ৱাখৈনবা অমসু ঙসি ফাওবদা লৈত্রিবনি। ঈরাংদুবুদি ফনা য়াম্না মপান্থোংদদি হন্থখ্রে। কুকি টেররিষ্টশিংগী জালেঙমগী মঙলান অমদা কুইনা মণিপুরগী মেজোরিটি ওইবা মীতৈশিংদা লান্দাসিগে খন্দুনা লৈখিবদু হায় কোর্টকী ওর্দর অমনা মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা য়াওখিগদৌরে হায়দুনা চীংগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী মীওইশিং খোমদুনা ত্রাইবেল সোলিদরিটি রেল্লি অমা মপান্থোংদা চৎশিন্নরগা কুকি টেররিষ্টশিংনা নমদুনা মে ৩, ২০২৩দা মীতৈশিংদা লান্দাদুনা থোকহনখিবা ঈরাংনি। করম তৌরগা ঈরাং থোকহনসিগে খনবসিনা মখোয়গী মথৌ ওইরিবনি। হন্দক্কী লিতানগী থৌদোক্তুসু চুম্না টোর্চ লাইট কাপ্লুবা তাঞ্জুল মচা অমদা কুকিশিংনা মরাল কয়া পীশিন্দুনা তমথীনা ফূবীবদগী থোকহল্লকখিবা ঈরাংনি। কুমজা ১৯৯২দগী কুমজা ১৯৯৭ ফাওবা চথুখিবা নাগা-কুকি অনীগী কনফ্লিক্ট অদু কুমজা ১৯৯২গী জুন থাদা কুকি নহা অমা নাগাগী লালহৌবনি চিংনবশিংনা ফাখি হায়বদগী অসুম অসুম চাউথোরকখিবনি। নাগা-কুকি অনীগী লানদুনা মরম ওইরগা য়েলহৌমী ফূরুপ অমা ওইনা নাগাশিংনা মোরেদা খুন্দারম্বদু মতম চূপ্পগী ওইনা লোইশিনহনখ্রে।

হৌজিক্তি মালেমসি চাওখৎপগী পন্দোল আ য়ৌনা লোপ্লে হায়নরিবনি। মালেমগী মফম অমদা থোকপা থৌদোক ৱাথোক খুদক্তা উবা ফংলবনি। অমুকসু চাওখৎলে হায়রিবা মালেমগী লৈবাকশিংনা ঐখোয়না মহেল্লে হায়বা উৎনবা ন্যুক্লিয়র বোম কয়া পৈশিন্দুনা শক্তি উৎথোক্লি। মরকসিদা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিং ইন্দিয়া য়াওনা অতৈনা চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা লমজেল য়াওমিনন্ননবা হোৎনরি। অদুগা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসিদনা থায়নগী হেদ-হন্টিংগী থাক্তা লাক্লবা কুকি টেররিষ্টশিংনা হোৎনরি। মখোয়গী মখূৎতা তাখ্রবা মীতৈশিংবু ঈরাং মনুংসিদা তমথী-তমথীনা হাৎপীখ্রে। মসি মখোয়না থাদোরকখিবা ভিদিও ক্লিপশিংদুনা হায়বনি। মদুগুম্বা তমথীবা মীহাৎশিংদু নংখ্রবা অৱা মৈচাক পুহৌরিবা ইমুংশিংনা টেররিষ্টশিং অদুবু করি খল্লমগনি।

হৌখিবা পূম্বা কাউথোক্লরসি হায়বদা মথম্মোয়দা কাউথোকপা ঙল্লদরা। মতম্না পুরকসনু হায়বদা তারে। অসুক শাংলবা মতমসিদা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংদা চথুখিবা টেরর এটেক ময়ামদুবু ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা করিগুম্বা অমত্তা হায়দনা তূমিন য়েংদুনা লাকখ্রবনি। কাশ্মীরগী পহলগামদা এপ্রিল ২২, ২০২৫দা পাকিস্তানি টেররিষ্টশিংনা মীচম লমকোইবা ২৬ হাৎখিবগী মতাংদদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অথুবা মতমগী মনুংদা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথদুনা লমন খুন্বা মীচম মীয়াম শোকপা য়াদে হায়দুনা থৌনা ফূদোকপা ঙম্মী। জিরিবামগী জকুরাধোরদা অঙাং অহুম, নুপী অহুম য়াওনা অতৈ কুকি টেররিষ্টশিংনা চথুখিবা জিনোসাইদ কেম্প্যেনশিংদদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করি তৌখি, করিসু তৌখিদে। ৱা মচেৎ অমফাওবা ঙাঙখিদে। অসুক শাংলবা কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা ঈরাং মরকসিদা ঈরাংসি লোইশিন্ননবা করম্বা অচেৎপা থৌরাংবু য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লৌখৎখ্রবগে। মখোয়না তৌখিবা হায়ববু মীতৈ এম এল এশিং, নাগা এম এল এশিং, কুকি এম এল এশিং হায়দুনা এঠনিক লাইনদা খায়দোকপীদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মিংগা নপ্তুনা দেল্লীদা কৌরা কৌরগা ৱারী শারিবনি, শান্তি হঞ্জিন্নবা হোৎনরিবনি হায়রগা থাদোরকপদি থেঙ্খাং কয়ারক্তা উখি।

প্রসিদেন্টস রুলনা চহী অমা ফাজিল্লক্লবা মখা তানা শাংথগে হায়রগনা পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা অমুক লৌবা তাবা, অমরোমদনা কুমজা ২০২৭কী মার্চ থাদা মপূন্সি লোইরগদবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিসিগী য়েংলগা তঙাইমক ফদনা বি জে পিগী মাঙখ্রবা মীয়ামগী থাজবা হঞ্জিন্নবা, লাক্কদৌরিবা রাজ্য সভাগী অমত্তা ঙাইরবা সিট কলহৌনবা অমদি ১৩শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী শেম শানবগীদমক্তা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী লৈঙাকসিনা মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা ৱাই খেমচান্দনা চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লগা শেমহল্লকপনি। মীয়াম্নসু মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীহুৎশিংগী লৈঙাক পাম্মী। লাইরিক্তি পংহৈ মহৈবা লাইশুদি য়াওদবা মীচম মীয়ামগা ইশম শম্নদবা মথন্তা পংচাউ চাউবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা লৈঙাকপা মীচম মীয়াম্না পামদে। য়েমৌনৈ। লমদমসিগী ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংসিফাওবা য়েমৌনরিঙৈদা ময়াং মচাশিং ওফিসরশিংদুনদি কমদৌনি। মখোয়দি লমদমসিদা লম কোয়বা, পোত্থাবা লাকপনি। অমরোমদা, মীয়াম্নসু পংচৈ চৈবীরবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এম এল এশিংসি মরাইবক্তি ফজনা থিবসু য়াওইকো। ইলেক্সন মায় পাকপদনা ওন্থোক্লা ৱানা পাকচবা অদুগা কাংলম চেন্দুনা অসুম লোইশিনবসু য়াওদৌরি। নুংঙাইতে খনবীরুবদা। করিদি পাম্বে লৈ।

লোইশিল্লকপদা, ৱাই খেমচান্দনা লুচিংলিবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক পাঙথোকপীরক্কনি হায়বগী আশা থমজরি। মাঙখ্রবা মণিপুরগী তংদু লৈতাবা অথুবা মতমগী মনুংদা হঞ্জিনহনবীগদবনি। ফ্রী মুভমেন্ট ফংদ্রিবা মীতৈশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট অকি-অখং লৈতনা নেশনল হায়ৱেশিংদা অমসুং মণিপুরগী মফম খুদিংদা ফংহনগদবনি। লাঞ্জেন্নখিবা কুকিশিংবু মীতৈশিংনা তম্পাক্তা লাকপদা হরাও তয়াম্না ওক্লি হায়বসি থবক্তা উৎনবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌবীগদবনি। ঈরাং লোইশিলহন্নীংদবা ঈরাং শাংথনবা হোৎনদুনা লৈরিবা কুকি টেররিষ্টশিংবু মতম চূপ্পগী ওইনা লাকশিনগদবনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মতমগী মতিক চাবা লম্বাদি ৱাখলতনি

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



মতম মাদি মিৎকুপ অমত্তসু পোত্থাদে। লেংলি পাল্লিবা থৱায় পানবা পূম্নমক মতম কৌবা হিরেন্দা তোংদুনা চৎলিবনি। অঙাংদগী নহা, নহাদগী অহল হায়না মীওইবগী মপোক্তা মতম মানা থাক কয়া থোক্লা খায়রি। নুংঙাইরম্বনা ৱাথখিবা, ৱানা হিংলম্বা কয়ানা মপান নাইদনা নুংঙাইখিবা মতম মাগী খোঙচৎনি। মচা, ময়ায়, অচৌবা; অনৌবা-অরিবা হায়নরিবা পূম্নমক মতম মানা পীবিবা মিংথোল ঙাক্তনি। থৱায় পানবা খুদিংমক্লা তোকপা য়াদবা অমা হায়রগদি ঙায়বা অসিনি। ঙায়রিবদু মতমনি। মতমবু মিৎনা উদবা পোৎশক ওইনা কনাগুম্বনা খনবসু য়াওই। মিৎনা উরিবা অহোংবা মশকশিং অসি মতমগী মশক্লি। মতম মাদি কনাবুসু ঙায়দে। মতমগী খোঙচৎ খঙনা মাগা তান্নদুনা শিন্থা পাংলিবশিংনা তাইবঙপান্দা অথোইবা ওই। মতম্বু থৌশাদবশিংনা হিংদবদি য়াদবনিনা তাইবঙসিদা মাঙন-তাক্লবা থবক কয়া তৌরি। মতম মাদি লাই ওইনা নীংবসু য়াই। মরুপ-মপাং ওইনা তিন্নবসু য়াই। মতমগী মমল মতিক নৎত্রগা মগুণ খঙলবা মীশক অদু পূন্সিগী মমল খঙলবনি হায়বসি ৱাখল মাগী ৱায়েলনি।

মহৌশা লাইরেম্বী ইমানা মতম হায়বসি থৱায় পানবশিংগী খোঙচৎ তাক্লবা শেল্লিবা খুজিংনি। নোং অমুক ঙানবা, নুমিৎ অমুক তাবা, চহী অমুক হৌবা, অমুক লোইবা, খোঙচৎশিং অসি শিবা নাইবা মীওইবনা ৱাহন্থোক লৈনা হিংবা হৈরবদি শিবা নাইদ্রবা মীংচৎ থল্লমগদৌরিবনি। সেকেন্দ অমদা থবক অমা তৌবা ঙমদবদি য়াই। ৱাখল লিশীং খলহৌবদি ঙম্মী। ৱাখল মরাং কায়বা হায়বসি থবক্তগী হেন্না য়াঙবা মীওইবগী থৌনানি। মীওইবগী কোক্তা ৱাখল খনবা ঙম্বগী পাঙ্গল মপাল নাইদনা য়াওরি। ৱাখলতনা মতম মাগা লম্বা তৌনবা ঙম্মী। তূম্বগী চাবগী থবক্কী মতম ককপা ঙম্বগুম ৱাখল খনবগী মতমসু কক্লা থম্বা মথৌ তারি। হকচাং ফনবা শাজেল তৌবগুম ৱাখল খনবা হায়বসি কোক্কী শাজে লনি। ৱাখলনা থল্লম্বা মিংচৎনা থবক্লা থল্লম্বা মিংচত্তগী মুৎনাইদবা মীংচৎ ওইহৌবা ঙম্মী।

২১শুবা চহীচা অসি মতম্বু চেকশিন্দবা মীওইশিংগী চন্নফম লৈরোই। গ্লোবেল ফেমিলি ওইরক্লবা মালেম অসি মিৎনা কুপ্পদা য়ৌনীংবা মফমদা য়ৌবা ঙম্মী। মিৎনা কুপ্পদা পাঙথোক্লিংবা থবক পাঙথোকপা ঙম্মী। পাঙথোক্লিবা থবক খুদিংমক মতমগা হিদান্নবা মীওই ঙাক্তনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা মতমদুগী হৈথোই শিংথোইবদা থোইদোক হেন্দোকপা লৈবাক ওইখিবা জপানদা আমেরিকানা ১৯৪৫গী ওগষ্ট ৬তা ‘লিট্টল বোই’ কৌবা বোম অমা হিরোসিমাদা অদুগী মতুং ওগষ্ট ৯দনা ‘ফেট মেন’ কৌবা বোম অমা নাগাশকিদা থাধখি। ঙসিগী ন্যুক্লিয়রগী শক্তি অসিমক নৎত্রবসু মতমদুগী আইনষ্টাইনগী $E=mc^2$ ইক্বেশনন্না শেমখিবা বোম অদুগী মপাঙ্গল অকিবনি। মীওই কয়াগী পূন্সি লোইখি। কয়া অমনা শোয়নাইহনখি। অদুবু জপানগী মীয়াম্না মতম মাবু মাঙহন্দনা মখোয়গী মরৈবাক মফূরুপ নুংশিবগী ৱাখল্লোন অদুনা মতম মাবু খূৎশম্নজরগা শেমগৎলকখি। অন্দলোন্দা থবক হেন্না শুদুনা হায়বদি খোঙউপ জুরা শাবগী মহুত্তা খোঙউপ নামত্তা মশীং য়াম্না শাদুনা অন্দল্লোন তৌখি। লৈঙাক্তা য়ানরবা মতমদা অন্দলোনদা শাজিনখিবা খোঙউপ নাম্মদুগী জুরা ফানবা হোৎনবদা থবক হেনগৎখি। মসি মতমগী মমল খঙবগীনি। অঙাংশিংবু চহী অমদা ক্লাস অমমম কাল্লগা মহৈ তমহল্লি। মরমদি উফুলদগী বিল্ডিং ওইরকপা হায়বসি জপানিজশিংগী ৱাখলদা অরাইবা নৎখিদে। অরুবা থবক খুদিং মতমগবু হিদান্ননা পাঙথোক্লবদি মায় পাক্তবা লৈতে হায়বসি ঙসিগী জপান লৈবাক্লা ময়েক লারবা খুদমনি। মাঙহনবনা শেমগৎপদগী মতম চংই হায়বসি নেচরেলনি। রোম সহর নোংমদা ওইখিদে হায়বসি ইখঙ খঙনৈ। অদুবু জপানিজগুম্না মতম শীজিন্নবা হৈরবদি মিৎকুপ্তা রোমগুম্বা সহর ওইথোকপসু য়াই।

ঙাঙবদগী তাবনা লৌশিং হেল্লি। ঙাঙনা ঙাঙনা থবক তৌবা মঙম শান্দে। তানা তানা থবক তৌরবদি মতম মাঙদে। থবক খুদিংমক মিংচৎ থম্বা য়াই। মিংচৎ হায়বসি পূন্সিগী শেন্দোংনি। শেন্দোং লৈতনা লল্লোন ইতিক তৌনদবগুম শেন্দোং লৈরোইদবা ৱা ঙাঙদবসি মতমগী মমল খঙলিবনি। অফবা নৎত্রগা ফত্তবা খনবা হৈবা হায়বসিমক ৱাখলগী অনৌবা পোত্থোকনি। হিংমিন্নরিবশিংনা নুংঙাইরোইদবা থবক ঐনা তৌদবা হায়বসি ঐগী ৱাখলগী ৱায়েলনি। মীগী কান্নবা তৌবা নৎত্রগা খনবা হায়বসি তৌরিবা নৎত্রগা খল্লিবা ঐগী কান্নবনি। মদুনা পীবিরিবা মিংচৎশিং অদুনা পূন্সিগী শেন্দোংনি। থবক খুদিংমক্কী অফবা মহয় নৎত্রগা ফত্তবা মহয় লৈগনি। অফবা মহয় ঙাক্তনা পূন্সিগী মশক চুম্না লেপ্পা ঙমদে। মতাংসিদা মতমনা ৱাখলগী ৱায়েল ঙাইরিবনি। ৱাখল হায়বসি ৱাথোক খুদিংগী হৌরকফম ওইবগুম থৌদোক খুদিংগী লুচিংলিবনি। ৱাখলনা মতমবু ইকায়খুম্নবা উৎলিবমখৈ মতমনা ৱাখলদুবু শোয়দা ঙামদনবা চেকশিন্না শেন্নবীগনি।

লমদম অসিদা য়েংহৈদবা তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক থোক্লি। মসি অঙাওবা অফ-ফত্ত করিনো খঙদবা মহিক্তগী হেন্না শাথীরবা, শামরক ঙামরক্কী কাঙবু অমনা পাঙথোকপা থবক্কী ফলনি। অদুবু ফত্তবা মশক অসি মতম মানা তপ্পা তপ্পা পুদুনা চৎখি। তাইবঙবু নুংশিবা, মী ওইরবা মীওইবশিংনা ঈংথ-তপথবা, হিংমিন্নবা, চাওখৎমিন্নবা, নুংশিনবা হায়বসি ৱাখল মাতনা ওইথোকহনবা ঙম্মী। শিবা নাইবা মীওইববু ঙায়ঙমদনা হাৎনরিবা, লৈফম মৈ থানরিবা, ঈ-নাই উরগা নুংঙাইবা নিশা কারিবশিং অসিবু তুং কোইনা উদনবা অমত্তা ঙাইরবা লন্বীদি ৱাখলনা শাগৎলিবা অচুম্বা তৌবীনবা মীচং য়ামখৎহনবনা ওইরি।

সোশল মীদিয়াদা চোয়রোল ঙাঙলিবা ইবিরিবশিং মতম্বু থৌওইদবা কাঙবুনি করম্না হায়রোই। ইরিবা ৱাহৈ অমনা খুন্নাইবু কাং-খোং চাইহনবসিবু শিত্তোক শেংদোক্লবা অরেম্বদা মতম কয়া ঐখোয়দগী মাঙখিনি। ৱাকায় শুবা মীদুনা লৈবাক কায়রগা ৱাকায় শুবা নঙগী তোংজবা লৈরবসু ৱাকায়দুনা শেমখিবা, মোৎহনখিবা খুন্নাই অদুগী মীয়ামদগী চাওখৎ লম্বী চৎপদা খোঙলৌহল্লিবা মতম অদুদি ফগৎনবা থৌনা লৈরোই। শুপ্পগী ৱাখল মানতা মাঙখিবা মতমদু ফুক্কৎনবা ৱায়ল তৌবা ঙম্মী। ৱাথোক মায়োক্লবদা অন্দলোনগী য়োৎলি মখোঙ খিঙবদা, নাওরি কাপ্পা, নুঙ লংবদা চোকথরবা মীয়ামদি পাঙ্গলসু মতমসু লোইনা মাঙখ্রবনি। ৱাখল শীজিন্নবীরো। মাঙখিবা মতমগী খোঙ্গুল লীসি। জপানগুম মমিণপুরসু চাওখৎ লমজেল য়াওরসি। ●

# ঙসি ঐনা ফংলিবা মহয় খুদিংমক ঙরাং তৌখিবা থবক্কী মহয়নি

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মালেম অসিদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক্কী মনুংদা মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা অসিনা পূম্নমক্কী মকোকনি হায়বা অসি মালেমগী মীয়াম্না য়ানরবা ৱাফমনি। মসিমক্লা হিন্দু শাস্ত্রগী ৱারীদা ব্রহ্মা কৌবা ঈশ্বরনা মীওইবগী মপোক্তা অমুক্তা পোকচগে হায়দুনা চহী কল্পা অমা টোপ তৌদুনা নীংজবদা ফংদে হায়নরিবনি। মসিগী ৱাহন্থোক অসিমক চাদা চাম্মা চুল্লবা অমদি চুমদুনা লৈরবনি। পোলিটিক্স তৌরিবসু মীনি, লৈবাক ঙাক্লিবসু মীনি, আইন শেল্লিবসু মীনি, মীগী ফনবা তৌরিবসু মীনি, মীগী ফত্তনবা মীগী মাঙনবা তাক্লবা তৌরিবদুসু মীনি। উমং ৱামং কোকথোক্লগা মহৌশাগী ফীভম কায়হনবা অদুসু মীনি, উমং কন্দবা য়াদে হায়দুনা উপাল ৱাপাল থারিবসু মীনি। মসিদসু নত্তনা কোক মপূং ফাদবা মী কয়াদা নোংমৈ পায়নবা অয়াবা পীবসু মীনি, কোক মপূং ফাদবা মীদুনা নোংমৈনা কাপ্লুদৌরিবদুসু মীদনি। মী মখল চাম্মা চাম্মনি, মী মখল লিশীং লিশীং, লাখ লাখ কয়ানা মালেম অসিদা পূন্না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবনি। ঐ ইতোমতা হিংনীংবা, ঐ ইতোমতা চানীংবা, ঐ ইতোমতা মালেমগী শক্তি পূম্নমক পায়নীংবা পূম্নমক অসিনা ঙসিগী মালেমদা অমগা অমগা নুংশিনদবা, খৎনবা, চৈনবা অমগা অমগা মুক্লবা কয়া থোরকপদগী শান্তিগী মহুৎতা ওমশান্তি ওইদুনা নুংশিনদবা, য়েক্লবা মশীং হেনগৎলক্লিবনি।

মহাত্মা গান্ধীনা পীরম্বা দান ঙসি ইন্দিয়ন ক্রোর ক্রোরনা মহয় চারি। ইন্দিয়ননা ইন্দিয়া ঙাক্লি। মালেমদা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা খঙনরিবা তানরিবা মীয়াম্না উরিবা পূম্নমক মতমদুগী নীংতম্বা ইন্দিয়া অমা ওইনবা হোৎনখিবা পূম্নমক্তুগী মহয়নি। নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা মতমদুগী লুচিংবা কয়াদুগী হুমাংমলদু ঙসিগী মীরোলনা ফংলিবনি। মদু পূম্নমক কাউথোক্লগা লুচিংবা কয়াদুবু কালি তৈশিন্নবা হোৎনগে খল্লিবা অমদি হোৎনরিবা অদু ইন্দিয়ন পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। ঙসি ইন্দিয়ানা ওইরিবা অসি অলাউদ্দিন লেম্প অমনা হেক্তা খুদক খুদক্তা শেম্বা শাখিবা নত্তে হায়বা অসি কাউনদবা ফৈ। মসিনি ঐখোয় ঐখোয়না হৌখ্রবা লাইওইখ্রবা মীওই কয়াদুনা পীরম্বা দান অদুগী মহয় ঐখোয়গী হৌজিক্কী মীরোলনা ফংলিবনি। লম্বী থোং, লায়েংশঙ, মহৈ লোয়শঙ, অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি, ঈশিংগী-মৈগী, স্পেসকী মথং মথং থোনগৎনরম্বা য়ূম্ফমদুদালেপ্পা ফংলগা পূম্নমক ঐনা তৌবনি, ঐনা শেম্বা ইন্দিয়ানি হায়বা খক শীজিন্নবা পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি।

ঙরাং অহিং বোম তাদুনা পুমতোয় তোয়বা য়ূম অমা ঙসি অয়ূক মদুদগী শরুক চাম্মা চাম্মা হেনবা য়ূম অমা শারগা পুথোরকপগী মওংদা ৱাঙাঙ কমজাও হুনবা লাইওইখ্রবা লুচিংবা কয়াবু লুখাক কোমদা লংশিনবসু তৌহৈদবা থবক্লি, চৎহৈদবা লমচৎনি। পোৎ খুদিংমক্কী থৌদোক ৱাথোক পূম্নমক্কী কান্নবা, অমাঙবা লৈফম থোকই। জর্জ বরনার্দ শোনা ঐনা মালেম শিনবা থুংনা ফাওরবা সেক্সপিয়রগী মরেংজুমদা তোংলগা মালেমদা জর্জ বরনার্দ শো হায়না খঙবীরিবনি হায়বদুসু নীংশিংবা ফৈ।

শৈশকপী শৈশকপা ইন্দিয়াগী, মণিপুরগী মখোয় মখোয়গী খোয়থুম্নরবা খোঞ্জেলনা মীবু অৱাবা নুংঙাইবা অনীমক্তা হুমদুনা পুদুনা চৎলি। নৌনা ইনখৎলক্লিবা শৈহেক শৈদারিবা-শৈদারিবী কয়ানা মখোয়না হৌখ্রবা ঈশৈ কয়া নৌনা শৈহেক্লি। মসি মখোয়না মীওইবা খুনাইদা পীরম্বা দানদু অমুক নৌহৌননা থোৎলবা লৈরাংগী লৈকাদগী লৈহি খোল্লগা মীয়ামগী অৱা-নুংঙাই কয়াবু কাউথোকহল্লিবনি। অইবা অইবী কয়ানা থম্বীরম্বা খূৎয়েক্লা ৱারেং, শৈরেং, লীলা-দ্রামা, সিনেমা কয়ানা কপহল্লি, নোকহল্লি। মসিগা লোয়ননা অফবা ফত্তবা পাউজেল কয়া পীরি। অপোকপা অপোকপীবু মীরাইবগী পাদম পাউজেল মদুনা ৱাহন্থোক কয়া থোকহন্দুনা কপহল্লি, পেন্দবা পোকহল্লি। পূম্নমক অইবা-অইবী কয়াগী স্ক্রিপ্ট রাইটরগী খুদোলনি। মদুনা মচা ওইবা কয়ানা চুমথোক্লবা ৱাখল লাক্লগনা মহয় য়ানবা ওইরে।

পূন্সিগী শিনফম অমদা নৎত্রগা অমদা মীওইবা ঐখোয়না তোংদুনা চৎলিবনি। শিনফম চুল্লগনা পূন্সিগী মায় পাকপা অমা ওইরে। শিনফম চুমদ্রগনা শিনফমদুদগী ওন্থরক্লগা মায়থীরবা পূন্সি অমা ওইনা পূন্সি লেনখিবা তাবনি। নীংখা তম্বগী অন্দলোন য়াওরক্তবা মীনা মদুগী অৱাবা খঙবা হৌনদে। মদুগী লুচিংবশিংদুবু মীথানদবা হৌনদে। মণিপুরদা চাক তাঙবগী অন্দলোন, ষ্টেটহুদ অন্দলোন, মীরৈবাক মচা চৎখিনবগী অন্দলোন, মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়াগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনবগী অন্দলোন, মদুগী পাড়া নীংথিজনা খঙদবা কয়ানা ৱাঙাঙ কমজাও হুন্দুনা ঙাঙবা য়াওরক্লবদি মদুদি হু পুবা লিনগী মশক্লি। কুনশুবা শতাব্দিগী ২০২৬ ফাওবগী ইতিহাস নৈনবা মশক মুন্না খঙবা অহল-লমনশিংদুবু ইকায়খুম্নবা তঙাইফদে। লৈবাক অমা চাওখৎপা, ষ্টেট অমা নিংথিনা ঈং-তপ্পা পুদুনা চৎনবা হোৎনবা মতমদা অহল লমন, লাই গুরু কয়াগী পাউতাক তঙাইফদে। মীওইবা খুন্নাইগী খোঙচৎ মথং-মথংনি। অহোংবা অওনবা কয়া লাক্কনি। লৈরম্বা কয়া লৈরক্লোই, লৈরমদবা কয়া লৈরক্কনি। লম্বী সড়ক, চীং-পাৎ, তুরেল কয়া অহোংবা অওনবা কয়া লাক। মদুনা মীওইবগী মফমদা অৱাবা-নুংঙাইতবা থোকহন্দবা অদুবু অফবা লৈঙাক অমা ওইনা মীয়াম্না শীংথানৈ। লম্বী ফৎত্রবা, চীং-পাৎ-তুরেল কয়াদা মহৌশাগী ফীভম কায়রক্লবা ওইরবা মদুগী অমাঙবা অদুনা মীয়ামদা চৈথেং ফংলবদি মদু মীয়ামগী অফবা লৈঙাক অমা নত্তে। লুচিংবা অমা ওইবগা ইমুং অমগী অহল ওইবগা পীকপা-চাউবগী ৱাদনি, চেনফম থোকপা মগুনদি চপ মান্নে। চাবা থকপা, ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমনা ইমুংগী নুপী অঙাং মচা মনাও লোইনবনি। লৈঙাকপা লুচিংবনা মী মখল মখল, কাঙলূপ-ফূরুপ তোঙান তোঙানবা, ধর্ম্ম-নাৎ-কলচর পূম্নমকপু পূন্না য়েংবা মথৌ তারকপা তাবনি।

চেল্লকপা-চেল্লকপী শৈদাংবা কয়ানা লৈঙাক্কী মফমদা তোঙান তাগে, মীওইবনা চাওখৎনবা হোৎনগে হায়দুনা ঙাইহাক্কী লৌনম নমথাক কয়ানা তাল্লকপা দিমান্দা মবুক থোক্কী মচাশিংদি মনা মনিল নাইদনা ঙসিসু চেক মোক লাওদনা শুফম থোকপা শুরি, নোম্ফম থোকপা নোম্লি। মীমান্নবা হোৎনরি, চীংদা-পাৎতা, তুরেলদা মীগা মীগগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরি হিংমিন্নরি।

অমরোমদা অমুক মপুনা লোয়বা হূইনা কনানা শাধুনো, কনানা দাকুনো, কনানা লায়রবা, কনানা ইনাকখুনবা হায়বা করিসু খঙলোই। মদুগী মহুত্তা খোংলক্কনি হৌনা হৌনা মপুনা চান্নবা, মচুম মপং থক্লিবা-চারিবা অদুগীদমকনি হৌনা হৌনা খোংলিবা। মণিপুরগী শেল থুমগী ফীভম য়াম্না থিনা শোক্লবনি। হিংদবা য়াদবা, চাদবা য়াদবা, শেৎতবা য়াদবা মীয়াম মরক্তা লৈমিন্নদবা য়াদবা কয়ানা লম্বীগী পোৎফম ফম্বী, ঈ-রিক্সো থৌবা মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্কনি। ষ্টেট ৱাংমা লান্না লল্লোন ইতিক কয়াদা নীংতম্না চৎপা য়াদবা, ষ্টেট মনুংদা থায়না অহল লমননা শারম্বা য়ূমজাউ খাইবোক, শুমাং খাইবোক খায়দুনা শম্বল খাবগী মওংদা অমগা অমগা য়েংথিনবা, খৎনবা-চৈনবা কয়া অসিদা ভাবোক ওইদুনা অৱাংবা গেল্লরিদা য়েংবীনবসু ৱাৎতে। খাম্বসু খামদে, ৱায়েলসু তৌদে, খোঙ্গ্রাই চন্দুনা কুম্ধৈ য়েংলি।

চৎলিবা চহী অসিদা মীখল পাঙথোক্কদৌবা ষ্টেটশিং ৱেষ্ট বেঙ্গল, অসাম, কেরলা, পুদুচেরি, টামিল নাদুগী মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী মীরেপ্তুগী করম্না মীহুৎ খনবা, কনানা কনাবু মীয়ামগী থৌগল তৌনবা খনবা পূম্নমক য়েংমিন্নসি। কুমজা ২০২৭তনা অমুক গোৱা, মণিপুর, গুজরাট, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরখণ্ডদা পাঙথোক্কদৌরি।

মীখল মতমদা শেল য়েনবা, চাকচা হৈজানবা, ময়াই কাবদা লাইচুবা অদুনা থোকহল্লকপা ঙাক্তনি ঙসিগী মালেমসিদা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংথীবশিং অসি। লুপা ৫০০ য়েনবদি লৈত্রে। লুপা লিশীং ১দগীনা ৫/১০ য়ৌনখি ২০২২গী মীখলদা। ঐখোয় ঐখোয়না ইশানা ইশাবু শরেনগী লারাক্তা য়াতানখি। মতম অদুদা কনানা কনানো, করম্বা মীরেপ্পু মীহুৎ ওইনা থারগা চাওখৎপা শান্তি ওইবা চাকথুং ফিথুংগদৌবা, লম্বী থোং, মৈ-ঈশিং, ঈথৈ-লৌখোং, মহৈলোয়শঙবু করম্না চাওখৎহনগনি, লায়রবা-ইনাকখুনবা খায়দনা মহৈ তম্বা য়াবা স্কুল নিংথিনা ষ্ট্রিম লাইন তৌগনি খঙদবা কয়া থাগৎপনা ঙসি লায়রবগী মচাশিংনা মহৈ তম্নবা হোৎনবদা অঙাং অমগী থা অমদা লুপা লিশীং ৪/৫দগী তাদ্রিবসি কনানা থোকহনবনো? মীখলগী মতমদা লৌশিনবা চাশিল্লুবা কয়াদুগী মহয়নি ঙসি ঐখোয়না থেংনরিবসি। ৱাথোক কয়া থোক্লবসু, থৌদোক কয়া থোক্লবসু অতেনবা মতমগী মনুংদা লোইশিনখিবা ঙাক্তনি। মণিপুরগী মীওই লাখ কুন্থ্রা হেনববু চহী অনীগা থা মাপন হেল্লবা মতম অসি ফাওবদা ৱাগী ৱারোইশিন থমদুনা কৈনৌ ৱায়েলসু তৌদে, তৌরি-তৌরি, লেংলি-লেংলি, চৎলি-চৎলি হায়দুনা লৈবনা মীয়ামদা পীবা চৈফুদি হন্দোকপা লোইশিনবা ঙমদ্রি। লম্বী থোং ফত্তবা, মৈ-ঈশিং, ঈথৈ-লৌখোং ফৎত্রিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা কুমজা ২০২২দা খনখিবা মীখলদা পীখিবা ভোট অদুগী মহয়নি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।